রাহুল গান্ধীনা ৱায়ানরগী লেন্দস্লাইদতা অৱাবা তারবশিংদা মহাক্কী থা অমগী সেলরি দোনেট তৌখ্রে

থিরুভনন্থপুরম, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি) : লোক সভাদা ওপোজিসন লুচিংবা ওইরিবা কোংগ্রেস এম পি রাহুল গান্ধীনা হৌখিবা জুলাই ৩০ দা কেরলাগী ৱায়ানর দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা তমথিরবা লেন্দস্লাইদ অদুদা অৱা-অনা তারবশিংগী মফমদা মহাক্কী থা অমগী সেলরি দোনেট তৌদুনা মতেং পাংখ্রে হায়রি।

রাহুল গান্ধীনা অৱা-অনা তারবা মীওইশিংদা শেলগী তেঙবাং পীখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্তা তমথিরবা লেন্দস্লাইদ অদুনা হৌগৎপা ঙমদবমখৈ ৱাহল্লবা মীওইশিং অসিদা অঙম্বা মতেং খরদা ওইরবসু পাংদুনা মখোয়গী রিলিফ এন্দ রিহেবিলিটেসনদা মতেং ওইনবা হোৎনম্নিসি হায়খি।

সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্ম এক্সতা কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা থাগৎপা পোষ্ট অমদা খঙহৌদনা অচৌবা লেন্দস্লাইদ কয়া ৱায়নরদা থোকখিবসিনা চহী কয়া চংনা তুংশিঞ্জরকপা লন-থুম কয়া অমাং-অতা থোকহনবদা নত্তনা মীওই কয়াগী পূন্সিসু মাঙহনখ্রে।

ঙসিসু লেন্দস্লাইদ অসিনা শোকহল্লবা মীওইশিংনা মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীওইশিং কাওবা ঙমদনা লৈরি। মসিগী মথক্তা মীওইশিং অসিগী হিংনবগী লম্বী লেন্দস্লাইদ অসিনা থদৎপীখিবনা মরম ওইরগা মখোয়বু অমুক হন্না চিংখৎপীদুনা সোসাইটিদা তিলহন্নবা হোৎনবা মতমদা ঐখোয় পুম্নমক্কী মতেং চংই হায়খি।

রাহুল গান্ধীনা লেন্দস্লাইদ অসিনা অৱা-অনা তাহল্লবা মীওইশিং অসিদা মীয়াম্না মতেং পাংলকপা য়ানবা 'ষ্টেন্দ হিথ ৱায়নর-আই এন সী' এপকী খুথাংদা দোনেসন রিসিপ তৌনবা কেরলা আই এন সীদা পাউতাক পীখি। মসিগী মতুং ইন্না কেরলা প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (কে পি সী সী) না মীওই ৯ গী কম্মিটি অমা শেমদুনা ফন্দ রেজিং কেম্পেইন অমদি রিকন্সত্রক্সন এক্টিভিটি হৌনবা শেম শাখ্রে হায়রি।

জুলাই ৩০ গী অয়ুক অঙনবদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা মীওই ২০০ গী মথক্তা শিখি। হৌজিকসু মীওই ৭৮ গী হকচাং থীবা ফংদনা লৈরি।

'জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু ষ্টেটহুদ ফংহনবা হায়বসি কোংগ্রেসকী প্রাইওরিটিনি'

লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৮ দা পাঙথোক্লবা শেম শারিবা জম্মু এন্দ কাশ্মির এসেমব্লি মীখলগী কেম্পেইন হৌদোকপগী রেল্লিদা ওপোজিসন লুচিংবা অমসুং কোংগ্রেস এম পি রাহুল গান্ধীনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু ষ্টেটহুদ ফংহনবা হায়বসি কোংগ্রেস পার্টিগী প্রাইওরিটিনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রাহুল গান্ধীনা বি জে পি না লুচিংবা সেন্টর লৈঙাক্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মীয়াম্না ফংজগদবা বেনিফিটশিং অদু মপান লৈবাক্তগী লাকপা মীওইশিংদা পীথোক্তুনা লৈরে হায়না মরাল শিখি। মহাক্না মখা তানা মতম অসুক শাংবসি জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মীওইশিংনা মখোয়গী মফমদগী লন-থুম মুন্দুনা মীতোপ্তা লৈঙাক্না পীথোকপসি খাঙদুনা লাকপনি। অদুবু ঙসিদি মীচং-মীখায় নাইবা সেন্টর লৈঙাক্কী থৌওং অসি লেপহনবগী মতম ওইরে। জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ষ্টেটহুদ অমুক হন্না ফংহন্দুনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী য়াইফনবা চাওখৎ থৌরাং পায়খৎপা হায়বসি কোংগ্রেসকী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং অমনি হায়খি।

সেন্টর লৈঙাক্না ফার্মর প্রদ্যুসর ওর্গনাইজেসন পোলিসি পুথোক্লবা শেম শাখ্রে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি) : লাক্লিবা হাপ্তা অনী অসিগী সেন্টর লৈঙাক্না ফার্মর প্রদ্যুসর ওর্গনাইজেসন (এফ পি ও) গী নেসনেল পোলিসিগী দ্রাফ্‌ট পুথোক্লবা শেম শাখ্রে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফেয়রগী এদিসনেল সেক্রেটরি ফাইজ অহমদ কিদৱাইনা সমুন্নাটি এফ পি ও কনক্লেভতা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না হায়, এফ পি ও হায়বসি ইন্দিয়াগী লৌমীশিংগী ভোইসনি। কর্নাটাকা, কেরলা, উত্তর প্রদেশ, হরয়ানা, মহারাষ্ট্র অমদি টামিল নাদু হায়রিবা ষ্টেটশিং অসিগীদি হান্ননা মখোয়গী ষ্টেট লৈঙাক্না এফ পি ও পোলিসি শেমদুনা তোঙান তোঙানবা স্কিমগী মখাদা লৌমীশিংগীদমক থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা হৌখ্রবনি।

অদুবু হৌজিক্তগী সেন্টর লৈঙাক্না ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা এফ পি ও গী নেসনেল পোলিসি পুথোরক্কদৌরবনিনা লৌমীশিংগী পূন্সিদা হেন্না চাওখৎপা পুরকপা ঙম্লগনি। নেসনেল এফ পি ও পোলিসি অসিনা সেন্টর লৈঙাক্না লৌমীশিংগী চাওখৎ থৌরাং অমদি লৌ-শিংউগী চাওখৎ থৌরাংদা হেন্না কুপ্না য়েংশিনবা ঙমদুনা চাওখৎপদা মতেং ওইরগনি।

কুমজা ২০২০ দা সেন্টর লৈঙাক্না এফ পি ও লীশিং ১০ হেন্না শেমগৎনবগীদমক লুপা ক্রোর ৬,৮৬৫ কাইথখি। চৎলিবা চহী অসিগী অঙনবদা এগ্রিকলচর মিনিষ্ট্রিনা এক্সপার্টগ্রুপ অমা শেমদুনা এফপি ও গী নেসনেল পোলিসি অসি করম্বা মওংদা শেল্লগা লৌমীশিংগী য়াইফবা ওইগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নদুনা লাকখিবনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা এফ পি ও প্রোগ্রাম লীশিং ১০ হেনবা অসিগী খুথাংদা সেন্টর লৈঙাক্না লৌমী লাক্ষ ৫০ হেনবদা মতেং পীনবা হোৎনগদৌরি। হায়রিবা লৌমী লাক্ষ ৫০ অসিগী মনুংদা চাদা ২৮ দি নুপী লৌমীশিংনি।

সেন্টরনা লৈবাক অসিদা লৌউ-শিংগী লমদা নুপী ওইবীশিংসু অচৌবা থৌদাং লৌহন্নবা হোৎনদুনা লাকপগী মহয় এফ পি ওগী নেসনেল পোলিসি অসিনা ফংহনবা ঙম্লগনি হায়খি। ফুদ এন্দ এগ্রিকলচর ওর্গনাইজেসন (এফ এ ও) গী ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্টেটিভ টাকায়ুকি হাগিৱারানা এফ পি ওগী নেসনেল পোলিসি পুথোক্লবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শেম শারিবা অসিনা লৈবাক অসিগী শোখরবা কাংলুপকী লৌমী অমসুং লম চাউনা লৈজদবা লৌমীশিংদা মতেং পীবা ঙম্লগনি থাজে হায়খি।

সমুন্নাটিগী ফাউন্দর অমসুং সী ই ও অনিলকুমারনা লৈবাক অসিদা এফ পি ওগী নেসনেল পোলিসি পুথোক্লবা শেম শাখিবা অসিগা লোয়ননা লৌ-শিংউগী লমদা অচৌবা দিজিটেল ত্রান্সফোর্মেসন অমা লাক্লগনি হায়বসি শোয়দ্রবা ৱাফমনি। দিজিটেল ত্রান্সফোর্মেসন অসিনা লৌমীশিংদা অচৌ মচা খায়দনা মখোয়গী পোথোকশিং অদু চপ মান্নবা প্লেটফোর্মদা পুখৎতুনা পুম্নমক্তা কান্নবা পীবা ঙম্লগনি হায়খি।

প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা দেল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্নরদা অহেনবা পৱার পীখ্রে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি) : ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা দেল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্নর বিনাই কুমারদা অহেনবা পৱার পীদুনা দেল্লিদা মহাক্না ওথোরিটি, বোর্দ, কম্মিসন নত্রগা ষ্টেট্যুটোরি বোদি ফোর্ম তৌবা য়াবগী অমসুং মেম্বরশিং এপোইন্ট তৌবা য়াবগী অয়াবা পীখ্রে হায়রি।

প্রসিদেন্টনা দেল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্নরদা অহেনবা পৱার পীখিবসি পার্লিয়ামেন্টনা শেম্বা লোশিংগী মখাদনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা থাদোরকপা গেজেট নোটিফিকেসন অমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী আর্কিল ২৩৯(১) গী সেক্সন ৪৫দি গী মখাদা লৈবা গভর্নমেন্ট ওফ নেসনেল কেপিটেল টেরিটোরি ওফ দেল্লি এক্ট ১৯৯১ গী মখাদা হায়রিবা পৱার অসি পীখিবনি।

প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা থোকখিবা অনৌবা ওর্দর অসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা দেল্লিগী রুল্লিং পায়রিবা আম অদামি পার্টি (এ এ পি) না প্রসিদেন্টকী ওর্দর অসি দেল্লি লৈঙাকপু য়োৎহিংনা পুন্দুনা থম্বা য়ানবা শিল্লকপা থৌওংনি। হৌখিবা চহীদসু গভর্নমেন্ট ওফ নেসনেল কেপিটেল টেরিটোরি ওফ দেল্লি (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৩ গী খুথাংদা দেল্লিগী ওফিসরশিংগী ত্রান্সফর অমসুং পোষ্টিং অসি নেসনেল কেপিটেল সিভিল সার্ভিস ওথোরিটিদা শিন্নথোকখ্রবনি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিনা দেল্লি লৈঙাক্কী থবক থৌরমদা অয়েৎ অপন পীদুনা চাওখৎপগী লম্বীদা থীঙ্গহনগদৌরে হায়না এ এ পি না পেন্দবা ফোঙদোকখি।

বোম্বে হায়কোর্টনা 'ইমর্জেন্সি' ফিল্মদা সার্টিফিকেট পীনবা দিরেক্সন পীয়ু হায়বা য়াখিদ্রে

মুম্বাই, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি) : বি জে পি গী এম পি কঙ্গনা রনাউটনা লিদ রোল লৌদুনা পুথোক্লিবা 'ইমর্জেন্সি' ফিল্মদা বোম্বে হায়কোর্টনা সার্টিফিকেট পীয়ু হায়না দিরেক্সন পীখিদ্রে হায়রি।

ফিল্ম অসিগী সার্টিফিকেট অসি সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ ফিল্ম সার্টিফিকেসন (সি বি এফ সী) না পীগদবনি। অদুবু ফিল্ম অসিগী মতাংদা থোক্লিবা ৱাথোক অমদি সিখ ওর্গনাইজেসনশিংনা হিষ্টোরিকেল ফেক্টকা চুনদে হায়না ৱাকৎ থাঙ্গৎলকপদগী বোম্বে হায়কোর্টনা ফিল্ম অসি লৈবাক শিনবা থুংনা স্ক্রিনিং তৌদ্রিঙৈদা অখঙ-অহৈশিং তান্নদুনা অচৌবা ৱাথোক থোক্তনবা য়েংশিনবা চংই হায়না সী বি এফ সী দা হৌজিক্কী ওইনদি সার্টিফিকেট পীদনবা দিরেক্সন পীখিবনি হায়রি।

কোর্ট অসিনা মখা তানা, ফিল্ম অসিদা সার্টিফিকেট পীবা য়াই নত্রগা য়াদে হায়বসি সি বি এফ সি না লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ১৮ ফাওবগী মনুংদা খন্ন-নৈনদুনা ৱারেপ লৌজগদবনি হায়খি।

ইমর্জেন্সি হায়রিবা ফিল্ম অসি বি জে পিগী এম পি কঙ্গনা রনাউটনা ইবা, পুথোকপা অমসুং দাইরেক্সন পীবা ফিল্ম অমনি। ফিল্ম অসিদা ইন্দিয়াগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ইন্দিরা গান্ধীনা কুমজা ১৯৭৫ দা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা ইমর্জেন্সি লাউথোকখিবা অমসুং মসিনা ওইহল্লকখিবা অচৌবা ৱাথোক অদু মীয়ামদা উৎনবা হোৎনবা ফিল্ম অমনি।

সিখ ওর্গনাইজেসনশিংনদি কঙ্গনা রনাউটকী ইমর্জেন্সি হায়রিবা ফিল্ম অসিনা লৈবাক মীয়ামদা সিখ কাংলুপকী মীওইশিংবু মশক থীহন্নবা হোৎনবদা নত্তনা মতম অদুদা থোকখিবা ৱাথোকশিং অদু শেমদোক শাদোক্লবা হোৎনরে হায়না মরাল শিরি।

বুলদোজর শিজিন্নদুনা য়ুম থুগায়বগী মতাংদা অখিলেস যাদবকা যোগি অদিত্যনাথকা লাউনখ্রে

লক্ষ্ণৌ, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি) : সুপ্রিম কোর্টনা লোনা য়াদবা মওংদা য়ুম শাদুনা লৈশিল্লক্লবসু মরাল লৈরবা মীওই অদুগী য়ুম বুলদোজর শিজিন্নদুনা খুদক্তা থুগায়বগী চৎনবী লেপকদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং ঙসি উত্তর প্রদেশকী সমাজৱাদি পার্টিগী চিফ অখিলেস যাদব অমসুং চিফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথ অনীগী মরক্তা অকনবা ৱাহে কয়া থন্নখ্রে।

অখিলেস যাদবনা বুলদোজর শিজিন্নদুনা মীওই কয়াগী য়ুম থুগায়বদগী হেন্দোক্তুনা মখোয়গী পূন্সি মথক মখা ওলহনবগী চৎনবীসি য়ু পি গী যোগি অদিত্যনাথনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা লমদম অসিগী তোল্লা তারবা মীওইশিং অমসুং মাইনোরিটিশিংদা মতম শাংনা চথদুনা লাল্লবা থৌওং অমনি হায়খি।

যোগি অদিত্যনাথকী লৈঙাক অসিনা হায়রিবা মীওইশিং অসিগী য়ুম বুলদোজর শিজিন্নদুনা থুগায়রগা মখোয়গী ওইজ-ওইথক তান্নবা হোৎনরি। ফন্না মরাল লৈরবসু ঙসি ইভিক্সন নোটিশ থোক্লগা হয়েং বুলদোজর পুদুনা লাক্লগা য়ুম থুগায়বা হায়বসি মীওইবগী চৎনবী নৎতে। চিফ মিনিষ্টর যোগি মশানা লৈরিবা য়ুম অদুগী লিগেলিটি চেক তৌরব্রা। কুমজা ২০২৭ কী এসেমব্লি মীখল মতুংদদি যোগি অদিত্যনাথকী য়ুমদা মীয়াম্না বুলদোজর পুদুনা চৎপা য়ারগনি হায়খি।

অমরোমদা সি এম যোগি অদিত্যনাথনা বুলদোজর শিজিন্নদুনা লোনা য়াদবা মওংদা শাজিল্লম্বা য়ুম তকথোকপগী খোঙথাংসি মীওই খরনা লান্না উহন্নবা হোৎনরে। ঐগী ষ্টেটতা অফবা গভর্নান্স লৈহন্নবা হোৎনবসিদা কল্লক মীহৌবা মীওই খরনা অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা মীয়ামগী য়েক্লবা ওইনা উহন্নবা হোৎনরে। প্রোটেষ্টরশিংগী মমাংদা খুরু খুদক কুন্দুনা খুরুম্বা মীওইশিং অসিনা অফবা গভর্নান্স পুরকপা ঙমগনি হায়বদি মঙ্গা ফাওবা মঙ্গবা ফৈ হায়খি।

ইজরেলদা খুৎশু খুৎলাই পীবা লেপ্পবা সুপ্রিম কোর্টতা পি আই এল থাঙ্গৎলকখ্রে

ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি) : ইন্দিয়ানা ইজরেলদা খুৎশু-খুৎলাই পীবগী থবক চথরিবসি ইজরেল অমসুং গজাগী মরক্তা থোক্লিবা লান অসি য়েংদুনা লেপকদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টতা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেসন (পি আই এল) অমা থাঙ্গৎলকখ্রে হায়রি।

পি আই এল অদুদা ইজরেল-গজাগী লান অসি য়েংদুনা ইন্দিয়ানা ইজরেলদা খুৎশু-খুৎলাই পীবা লেপ্পবা সেন্টর লৈঙাক্তা সুপ্রিম কোর্টনা দাইরেক্সন পীবীয়ু। করিগুম্বা ইজরেলদা খুৎশু-খুৎলাই পীবা লেপত্রবদি গাজাদা থোক্লিবা ক্রাইসিস অসি কৈদৌনুংদা হন্থরকপা লৈররোই।

মসিগী মথক্তা ইন্দিয়ানা গাজদা থোক্লিবা ক্রাইসিস অসি য়েংদনা ইজরেলদা লেপ্পুনা খুৎশু-খুৎলাই পীবা তারবদি গাদা থোক্লিবা জিনোসাইদ অসিদা ইন্দিয়ানা মতেং পাংবগা চপ মান্নরগনি হায়রি।

পি আই এল অদু লোয়র প্রসান্ত ভুশনগী খুথাংদা মীওই ১১ না থাঙ্গৎলকখিবনি। মীওইশিং অসিনা ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সকী মখাদা লৈবা পব্লিক সেক্টর ওন্ত্রাপ্রাইজশিংনা ইজরেলদা লেপ্পা লৈতনা খুৎশু খুৎলাই পীবগী থবক চথরি হায়না ফোঙদোকখি।

পি আই এল অদুদা মীওই ১১ অসিনা মখা তানা ইজরলেদা লেপ্পুনা খুৎশু-খুৎলাই পীশিনবসি ইন্দিয়ানা ইন্টরনেসনেল লো থুগায়বা চপ মান্নে হায়রি। পনবা য়াবদি ইন্টরনেসনেল কোর্ট ওফ জষ্টিসনসু গাজা ষ্ট্রিপ্তা ইজরেলনা ইন্টরনেসনেল লো কয়া ভাইওলেট তৌই হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

অগ্রাগী খোঙজেল য়াঙনা চাওখৎলক্লিবা ফুটৱেয়র ইন্দষ্ট্রিনা ফত্ত-হাউদিগী অচৌবা ক্রাইসিস থোকহল্লে

অগ্রা, সেপ্টেম্বর ০৪ (এজেন্সি) : মপান লৈবাক্তগী লাকপা লম কোয়বশিংনা খ্বাইদগী পাম্না চৎনরিবা টুরিষ্ট দেষ্টিনেসন ওইবদা নত্তনা মমিং চৎলবা টাজমহল লৈরিবা অগ্রা সিটিদা অতেনবা মতম খরদা চাওখৎলক্লিবা অচৌবা ফুটৱেয়র ইন্দষ্ট্রিশিং অসিনা মফম অসিদা ফত্ত-হাউদিগী ক্রাইসিস থোকহল্লে হায়না সেন্টর ফোর সাইন্স এন্দ এনভাইরনমেন্ট (সী এস ঈ) না পাঙথোকপা অনৌবা ষ্টদি অমনা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়া পুম্বদা শিজিন্নরিবা ফুটৱেয়র হায়বদি চপল অমদি সেন্দলনচিংবশিং অসি চাদা ৬৫ দি অগ্রাদা শাবনি। অসুক য়াম্লবা ফুটৱেয়র লেপ্পা লৈতনা শানবা হোৎনরকপদা মফম অসিদা লৈরিবা ইন্দষ্ট্রিশিংনা নোংমদা টন ৪৫ গী ফত্ত-হাউদিশিং থাদোরকপনা মরম ওইরগা হায়রিবা ৱেষ্ট মেটেরিয়েলশিং অসি লংথোকফম অমসুং দিস্পোজ তৌফম মফম মরাং কায়না লৈতবনা মরম ওইরগা ফত্ত-হাউদিগী অচৌবা ইস্যু অসি থোকহল্লকপনি হায়রি।

অগ্রা সিটিদা হান্নদগী হৌনা মফম মরাং খঙদনা ফত্ত-হাউদি লংথোকপগী চৎনবী অমা লৈরিবা অসিগী মথক্তা ইন্দষ্ট্রিশিং অসিদগী থাদোরকপা ফত্ত-হাউদিশিং অসিনা ফজখ্রবা সিটি অসি অপুম-অশাগী মনম নম্বদা নত্তনা লায়না পোকফম ওইহল্লক্কদৌরে হায়রি।

অগ্রা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসননা ফত্ত-হাউদিশিং অসি লৌথোক্লবা হোৎনরবসু ফত্ত-হাউদি টন ২০ হেন্না নুমিৎ খুদিংগী সিটি অসিগী দ্রেনেজ সিষ্টেমদা থাদরকপনা মরম ওইরগা দ্রেন ফুঞ্জিল্লকপদগী ঈশিং ঈচাওগী অৱাবসু মায়োক্লহল্লি।

টুরিষ্টশিংনা পাম্নবা মফম ওইরম্বা অগ্রা সিটি অসি ফত্ত-হাউদিশিং অসিনা মরম ওইরগা টুরিষ্ট লাকপগী চাং হন্থরকপনা ষ্টেটকী ইকনমিদসু শেকহল্লে হায়রি।

ꯕꯨꯂꯗꯣꯖꯔ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯌꯨꯝ ꯊꯨꯒꯥꯏꯕꯒꯤ ꯃꯇꯥꯡꯗꯥ ꯑꯈꯤꯂꯦꯁ ꯌꯥꯗꯕꯀꯥ ꯌꯣꯒꯤ ꯑꯗꯤꯠꯌꯅꯥꯊꯀꯥ ꯂꯥꯎꯅꯈ꯭ꯔꯦ

ꯂꯛꯅꯧ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯴ (ꯑꯦꯖꯦꯟꯁꯤ): ꯁꯨꯞꯔꯤꯝ ꯀꯣꯔꯇꯅꯥ ꯂꯣꯅꯥ ꯌꯥꯗꯕꯥ ꯃꯑꯣꯡꯗꯥ ꯌꯨꯝ ꯁꯥꯗꯨꯅꯥ ꯂꯩꯁꯤꯜꯂꯛꯂꯕꯁꯨ ꯃꯔꯥꯜ ꯂꯩꯔꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯌꯨꯝ ꯕꯨꯂꯗꯣꯖꯔ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯈꯨꯗꯛꯇꯥ ꯊꯨꯒꯥꯏꯕꯒꯤ ꯆꯠꯅꯕꯤ ꯂꯦꯞꯀꯗꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯈ꯭ꯔꯕꯥ ꯃꯇꯨꯡ ꯉꯁꯤ ꯎꯇ꯭ꯇꯔ ꯄ꯭ꯔꯗꯦꯁꯀꯤ ꯁꯃꯥꯖꯋꯥꯗꯤ ꯄꯥꯔꯇꯤꯒꯤ ꯆꯤꯐ ꯑꯈꯤꯂꯦꯁ ꯌꯥꯗꯕ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯆꯤꯐ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯌꯣꯒꯤ ꯑꯗꯤꯠꯌꯅꯥꯊ ꯑꯅꯤꯒꯤ ꯃꯔꯛꯇꯥ ꯑꯀꯅꯕꯥ ꯋꯥꯍꯩ ꯀꯌꯥ ꯊꯟꯅꯈ꯭ꯔꯦ꯫

ꯑꯈꯤꯂꯦꯁ ꯌꯥꯗꯕꯅꯥ ꯕꯨꯂꯗꯣꯖꯔ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯀꯌꯥꯒꯤ ꯌꯨꯝ ꯊꯨꯒꯥꯏꯕꯗꯒꯤ ꯍꯦꯟꯗꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯄꯨꯟꯁꯤ ꯃꯊꯛ ꯃꯈꯥ ꯑꯣꯜꯍꯟꯕꯒꯤ ꯆꯠꯅꯕꯤꯁꯤ ꯌꯨ ꯄꯤ ꯒꯤ ꯌꯣꯒꯤ ꯑꯗꯤꯠꯌꯅꯥꯊꯅꯥ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯥ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯂꯃꯗꯝ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯇꯣꯜꯂꯥ ꯇꯥꯔꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯃꯥꯏꯅꯣꯔꯤꯇꯤꯁꯤꯡꯗꯥ ꯃꯇꯝ ꯁꯥꯡꯅꯥ ꯆꯊꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯜꯂꯕꯥ ꯊꯧꯑꯣꯡ ꯑꯃꯅꯤ ꯍꯥꯌꯈꯤ꯫

ꯌꯣꯒꯤ ꯑꯗꯤꯠꯌꯅꯥꯊꯀꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯌꯨꯝ ꯕꯨꯂꯗꯣꯖꯔ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯊꯨꯒꯥꯏꯔꯒꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯑꯣꯏꯖ-ꯑꯣꯏꯊꯛ ꯇꯥꯟꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯔꯤ꯫ ꯐꯟꯅꯥ ꯃꯔꯥꯜ ꯂꯩꯔꯕꯁꯨ ꯉꯁꯤ ꯏꯚꯤꯛꯁꯟ ꯅꯣꯇꯤꯁ ꯊꯣꯛꯂꯒꯥ ꯍꯌꯦꯡ ꯕꯨꯂꯗꯣꯖꯔ ꯄꯨꯗꯨꯅꯥ ꯂꯥꯛꯂꯒꯥ ꯌꯨꯝ ꯊꯨꯒꯥꯏꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯆꯠꯅꯕꯤ ꯅꯠꯇꯦ꯫ ꯆꯤꯐ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯌꯣꯒꯤ ꯃꯁꯥꯅꯥ ꯂꯩꯔꯤꯕꯥ ꯌꯨꯝ ꯑꯗꯨꯒꯤ ꯂꯤꯒꯦꯂꯤꯇꯤ ꯆꯦꯛ ꯇꯧꯔꯕ꯭ꯔꯥ꯫ ꯀꯨꯝꯖꯥ ꯲꯰꯲꯷ ꯀꯤ ꯑꯦꯁꯦꯝꯕ꯭ꯂꯤ ꯃꯤꯈꯜ ꯃꯇꯨꯡꯗꯗꯤ ꯌꯣꯒꯤ ꯑꯗꯤꯠꯌꯅꯥꯊꯀꯤ ꯌꯨꯝꯗꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯅꯥ ꯕꯨꯂꯗꯣꯖꯔ ꯄꯨꯗꯨꯅꯥ ꯆꯠꯄꯥ ꯌꯥꯔꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯈꯤ꯫

ꯑꯃꯔꯣꯃꯗꯥ ꯁꯤ ꯑꯦꯝ ꯌꯣꯒꯤ ꯑꯗꯤꯠꯌꯅꯥꯊꯅꯥ ꯕꯨꯂꯗꯣꯖꯔ ꯁꯤꯖꯤꯟꯅꯗꯨꯅꯥ ꯂꯣꯅꯥ ꯌꯥꯗꯕꯥ ꯃꯑꯣꯡꯗꯥ ꯁꯥꯖꯤꯜꯂꯝꯕꯥ ꯌꯨꯝ ꯇꯛꯊꯣꯛꯄꯒꯤ ꯈꯣꯡꯊꯥꯡꯁꯤ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯈꯔꯅꯥ ꯂꯥꯟꯅꯥ ꯎꯍꯟꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯔꯦ꯫ ꯑꯩꯒꯤ ꯁ꯭ꯇꯦꯇꯇꯥ ꯑꯐꯕꯥ ꯒꯚꯔꯅꯥꯟꯁ ꯂꯩꯍꯟꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯕꯁꯤꯗꯥ ꯀꯜꯂꯛ ꯃꯤꯍꯧꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏ ꯈꯔꯅꯥ ꯑꯔꯥꯅꯕꯥ ꯄꯥꯎ ꯁꯟꯗꯣꯛꯇꯨꯅꯥ ꯃꯤꯌꯥꯝꯒꯤ ꯌꯦꯛꯂꯕꯥ ꯑꯣꯏꯅꯥ ꯎꯍꯟꯅꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯔꯦ꯫ ꯄ꯭ꯔꯣꯇꯦꯁ꯭ꯇꯔꯁꯤꯡꯒꯤ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯈꯨꯔꯨ ꯈꯨꯗꯛ ꯀꯨꯟꯗꯨꯅꯥ ꯈꯨꯔꯨꯝꯕꯥ ꯃꯤꯑꯣꯏꯁꯤꯡ ꯑꯁꯤꯅꯥ ꯑꯐꯕꯥ ꯒꯚꯔꯅꯥꯟꯁ ꯄꯨꯔꯀꯄꯥ ꯉꯝꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯗꯤ ꯃꯉ꯭ꯒꯥ ꯐꯥꯎꯕꯥ ꯃꯉ꯭ꯒꯕꯥ ꯐꯩ ꯍꯥꯌꯈꯤ꯫

ꯅꯆꯣꯝ ꯑꯦꯗꯨ ꯐꯥꯎꯟꯗꯦꯁꯟ
NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEET/JEE/IIT
NEF

CONGRATULATIONS
3 STUDENTS CLEARED
JEE ADVANCED (IIT)-2024

S CHINGKHEINGANBA
S/o : S MEGHA SINGH & S SUMILA
KHANGABOK MAYAI LEIKAI
AIR CATEGORY RANK- 4767

NINGTHOUJAM SUSHIL
S/o : N. INGO & N. SANDHYARANI
KOUTRUK
AIR CATEGORY RANK- 2226

NAOREM ROHIT SINGH
S/o : N. RAMESHWAR & N. ROMINA
KACHING PAJI LEIKAI
AIR CATEGORY RANK- 4782

REGISTRATIONS OPEN FOR 8 MONTHS INTENSIVE PRACTICE SESSIONS FOR JEE & NEET
COMMENCING FROM 1st SEPTEMBER 2024
ELIGIBLITY:
1.CLASS 11th & 12th(Only those who have completed NCERT)
2. CLASS 12th PASSED
COURSE HIGHLIGHTS
* CHAPTER WISE SYNOPSIS * INTENSE CHAPTER WISE PRACTICE
* WEEKLY TESTS * 15 MOCK TESTS * STUDY MATERIALS (30 Books)
For more details contact :
9402979552 | 8729948874
3rd Floor, M/s L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai
HL-B/8909/11/7-18/8(alt)

ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯏꯟꯇꯔꯅꯦꯁꯅꯦꯜ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯤꯇꯤ
MANIPUR INTERNATIONAL UNIVERSITY
An Autonomous Statutory State International University Established & Recognised by the State Govt. of Manipur by an Act in the Year 2018. Recognised and listed by the University Grants Commission (UGC), Ministry of Education, Government of India undersection 2(f) and section 22 of UGC Act,1956. An International University of Excellence and an Institution of State Importance.
UNDERGRADUATE & POST-GRADUATE DEGREE PROGRAM
ADMISSION NOTIFICATION 2024
Applications are invited for eligible students for the following courses under regular class room mode. Eligibility, qualification, selection and award criteria strictly as per UGC regulations. Admission for Post-Graduate shall be on merit basis through university entrance exam.

M.Sc	M.A	B.Sc	DIPLOMA
Biotechnology Botany Earth Sciences Environmental Sc. Microbiology Zoology Yoga	English Education History Political Science Sociology Yoga	Medical Laboratory Technology Radio Imaging Technology Operation Theatre Technician Optometry	3 months Certificate course on Peace and conflict studies 12 months Diploma course on Peace and conflict studies 6 months Certificate course on Thai Language and culture (under Surindra Rajabhat University Thailand) Performing Arts (PG DIPLOMA)
Last date of application submission 07 September 2024		Last date of application submission 20 September 2024	Last date of application submission 28 September 2024

Regular Certificate courses - 6 months Certificate course (Tech enabled Entrepreneurship based)
i. Herbal & Medicinal Plant Farming
ii. Integrated Freshwater Prawn Culture
Eligibility : Minimum XII with Biology Subject, Age no bar
Yoga will be the most demanded Subject in the Future
- Free Registration
- For any enquiry regarding fee structure and syllabus, visit our university, office timing : 9am-3pm
- Dedicated Science Lab, Smart Computer Lab & Smart Classroom.
APPLY NOW
For more details you can visit the website of the university or contact the University on its helpline
https://www.miu.edu.in 8899788788 9036983337 / 8974399028
MIU HQ, MIU Palace, Ghari Awang Leikai, Airport Road, Imphal, Imphal-West, Manipur - 795140, India

वदतु संस्कृतम् ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯏꯟꯇꯔꯅꯦꯁꯅꯦꯜ ꯌꯨꯅꯤꯚꯔꯁꯤꯇꯤ जयतु भारतम्
CERTIFICATE COURSE
in
SANSKRIT LANGUAGE
organized by
Central Sanskrit University
&
Manipur International University
→ No previous knowledge is needed for this course
→ Age limit 15+ (10th Pass)
→ All the Sanskrit Lovers are Welcome
→ Certificates will be provided by Central Sanskrit University
→ Mode Offline
ADMISSION OPEN
Last date of admission - 20th September 2024
COURSE FEES: ₹1200/-
Free Study Books
DURATION : 10 MONTHS
INSTRUCTOR :
MR. VASKAR CHATTERJEE (Sanskrit Teacher, Central Sanskrit University)
CLASS : SATURDAY & SUNDAY SESSION: 2024-2025 Reach Us : 8609099478
MIU HQ, MIU Palace, Ghari Awang Leikai,Airport Road, Imphal, Imphal-West, Manipur - 795140, India
HL-P/1107/5 to 11 Sept